## (মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু)

# ‘মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম’

### মীয়াম কদোমদনো চৎকদবসে?

(৭৯)

থা ৪ হেল্লক্লবা মেগী তাং ৩ দগী হৌরক্লিবা ঈৰাং অসিবু লাকশিনবা ঙমদ্রবা সেন্টর, ষ্টেট গভর্ণমেন্ট, গভর্ণর, সিক্যুরিটি এদভাইজর পূন্নমক মখোয়গী অরোনবা থৌশিল করিনো? অথুবদা মণিপুর মীয়ামদা খঙহল্লু। জো-কুকি টেররিষ্টশিংগা করি অরোনবা মরী লৈবগে? জো-কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা চীংখোঙ চীংয়াদা লৈজবা মীতৈ ফূরুপশিংদা বোম অমদি নোংমৈ কাপশিন্দুনা মীচম মীয়াম কয়া অমা হাৎতোল্লকপা, যূম কয়া অমা মৈ থাদোকপীখ্রবা অমদি মীওই কয়া অমা লানচেন্নহল্লবা অসিদা সেন্ট্রেল ফোর্সেস মরুওইনা অসাম রাইফলসশিংনা কুকি টেররিষ্টশিংগী চাওনা মতেং পাংশিন্দুনা মথৌ শংলিবা (হাপ্লিবা) কয়া অসি খঙনা-খঙনা গভর্ণমেন্ট, গভর্ণর, সিক্যুরিটি এদভাইজরনা তুমিন্না লৈশিনবা মসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক করিনো?

মণিপুর মীয়াম ঙাক শেন্নবা থারক্লিবা সেন্ট্রেল ফোর্সেস লৈবগীসু কান্নবা মীয়াম্না উরক্ত্রবা, নাকন নাম্মতগী মীৎয়েং য়েংলিবা সেন্ট্রেল ফোর্সেসশিং অথুবদা মণিপুরদগী হলহনখ্রো। পূন্নমকসিদগী পেন্দ্রবা মীয়াম, ইমা-ইবেল, অহল-নহা, কয়া অমনা খোঙজং কয়া’মা চঙশিনবা অসিদদি সেন্ট্রেল ফোর্সেস, অসাম রাইফলসনচিংবা কয়ানা ফূবা-চৈবা, টিয়র গ্যাস কাপশিনবা, নোংমৈ কয়া কাপ্পনচিংবা অসিদা নত্তনা মীচম কয়া হাৎখ্রিবা অসি কনাগী ওর্দর ফংবদগীনো? কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা মখোয়গী মমাংমক্তদা নোংমৈ কাপ্লিবা, যূম মৈ থারিবা অসিদদি থিংদে ওর্দর লৈতে হায়দুনা য়েংদুনা লৈবা ঙম্মী মসিনা করম্বা লোনো?

মরমশিং ময়াম অসিদগী সেন্ট্রেল ফোর্সেস, অসাম রাইফলস অথুবদা মণিপুরদগী হলহনখ্রো মখোয়দা মরিপুর মীয়াম্না থাজবা থমদ্রে। মণিপুর লৈঙাকসু শোনমনখ্রে য়েলহৌমীসু নত্তবা খূজোক খরনা তাল্লক্লিবা দিমান্দ মণিপুর থুগায়নবা হোৎনরিবা অসি ইশাগী থৌদাংনি খন্না পায়খৎফম থোকপা থবক মতম চানা পায়খৎতুনা থিংবীরল্লবদি ঙসি ওইরিবা মণিপুরগী ফীভম অসুক থিনা শোক্লল্লোই। ঈংনা-চিক্না লৈজরম্বা লমদম ঙসিদি মৈনা ৱাই-ৱাইদুনা চাক্লকপদা তাঙ্গোয় ওল্লক্কদৌরে হায়বসি ঙসি পাল্লিবা লৈঙাক অমদি মসিদা য়াওরিবা এম এল এ/মিনিষ্টর কয়ানা খঙবীরবদি য়াম্না ফরমগদবনি। লানসি করম্না কনানা হৌরকই কদায়দগী হৌরকপনো খঙনা-খঙনা লৈথোকখিবনা ঙসিদি অরুবা তাঙ্কক অমদা য়ৌরক্লে, মীতৈ ঐখোয়বু লান্না উহন্নবা তত্তনা প্রোপেগন্দা কয়া অমা লান্না-লান্না শন্দোকখ্রে। মীওই কয়ামা তমথীনা য়েংহৈদ্রবা মওংদা হাৎপীখ্রে। সেন্ট্রেল ফোর্স অমদি অসাম রাইফলসশিংনা মীতৈ মীয়াম ঐখোয়দদি ঙল্লিবমখৈ অথিংবতা পীদুনা লাক্লি, অদুগা কুকিশিংগীনা অরৈবীদা মনিং তৌহল্লি ফোংনা কুকিগী নাকন্দা তোংশিল্লে হায়বসি খূদম কয়া অমা মীয়াম্না খঙনরবা উনরবা ৱাফম্লি, মীয়াম্না খঙনরবসিদা লৈঙাক পায়রিবা মখোয়দি করিগী খঙলল্লোই? তানফম অসি য়ৌরফাওবা তাশিন উশিন্নদনা লৈরি, কুম্মৈ য়েংলি খাম্নবগী ৱাখল খন্দ্রি। মসি মীয়াম্না মখোয়বু থাগৎলুবগী মহয়রা।

মীকপ থোকপীরো য়েলহৌমী মীয়াম ঐখোয়গী খোঙ্গুল মুৎখিদনবা অঙম-অথৌ য়াইতোং ফমদোংবশিং নফি শেম্বীরো নঙ-নঙগী ফমদুতবু মীহৌরনো, ইমা লৈবাক কংলৈপাক মণিপুর কনমিন্নবগী ইথৌদাং পূন্না লৌমিন্নরসি, মী অমগী মমলগা শেলগা চোই-চাং ওনবীরনো, পুন্সিগী মমল খঙবীরো। য়াইফরে কংলৈপাক ইমানা...!!!

**অদোমগী - য়ুম্নাম সন্তোশ**
**ললাম্বুং মখোঙ রিমস রোদ সাউথ, ইম্ফাল ৱেষ্ট-৭৯৫০০৪,**
**# ৯৬১২৯৮৫৮৫৪ / ৮১১৯০৬২৮১২**

----------------------

### খূৎলায় পায়দনা পাঙ্গল চাং য়েংনরসি

(৮০)

ইম্ফালদগী লাঞ্জেন্নখ্রবা কুকিশিং ইম্ফালদা অমুক লাকপীরো। লম লৈশিল্লগা করিগী লাঞ্জেল্লিবনো? মীতৈশিংনদি নখোয়বু কৈদৌনুংদসু হাৎলোই, থম্মোয়বু শেংলবদি। অৱাংবদগী খূদোংচাবা লৌবদি পাঙদবগী মশক্লি। তম্পাক্তা থোরক্লো খূৎলায় পায়নদনা পাঙ্গল চাং য়েংনরসি।

**অদোমগী - য়ুম্নাম বসন্ত**
**মোংজম মনিং লৈকাই, # ৯৩৬২১৫২৯৬২**

----------------------

### করি তৌরকপগে য়েংলসি

(৮১)

কুকি এম এল এ তরা মরালগী মতুংইন্না দিসক্বালিফাই তৌবা। মরিপুরদা তোঙানবা লৈঙাক লৈবা য়াদবা। কাঙলোন চুম্না এন আর সী চৎনহন্দুনা মীতোপ তান্থোকখিবা। কুকিশিংগা তৌনবা সূ খূদক্তা হন্দোকপা। নেসনল হায়ৱেদা ব্লোকেদ তৌবা মতম পূম্বগী ওইনা য়াহন্দবা। কুকিশিংগী মীচঙদা লৈবা অসাম রাইফলস লৌথোকখিবা। হায়রিবশিং অসি অথুবদা ইমজেন্সি মীফম অমা ফমদুনা এসেমব্লিগী মেম্বর পূন্নমক্না ৱারেপ লৌমিন্নগদবনি। এসেমব্লিনা লৌরকপা মথক্কী ৱারেপশিং অসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা থাদুনা অকক্লবা মতম (দেট লাইন) অমগী মনুংদা থবক্তা ওন্থোকউ হায়গদবনি। করিগুম্বা পীরিবা মতমদুগী মনুংদা থবক্তা ওন্থোরক্ত্রবদি সী এম য়াওনা মিনিষ্টর, এম এল এ পূন্নমক ফম থাদোক্লগা মীয়ামগা চৎমিন্নরগনি হায়বীয়ু। মতমদুদা করি তৌরকপগে য়েংলসি। মসিদা জি-জা তৌদুনা য়াম্না নোঞ্জগদবা নত্তে। ইশাগী তৌফম থোকপা, হায়ফম থোকপদু হায়গদবনি। মসিফাও তৌরক্ত্রবদি পূন্নমক ফম থাদোক্লগা মর্জর এগ্রীমেন্ট হন্দোক্লগনি হায়গদবনি। হায়রিবশিং অসি মণিপুর গভর্ণমেন্টকী পাৱরগী মনুংদা লৈবা ঙাক্তনি। মীয়ামবু অপঙবা শিগনু। পার্টিগী ৱাফম থাদোক্লগদবনি। নখোয়দগী হেন্না খঙ-হৈবা মশীং থীঙমদনা লৈ হায়বসি বি জে পিগী গভর্ণমেন্টনা খঙগদবনি। নখোয়গী নপূকচেল পীকপা, য়াম্না পাংদবা নতৌদুগীদমক ঐখোয়না ইকাইবী।

**অদোমগী - নাওরেম মঙ্গি**
**সুগ্নু, # ৮৪১৫০১২৬৮৮**

----------------------

### চীফ মিনিষ্টরনা মীটিং কৌবীয়ু

(৮২)

এপ্রিল ২৮দা চুড়াচান্দপুরদা জিমগী শঙ্গাবা চীফ মিনিষ্টর য়াওগদবদা ঈৰাং থোকই লাক্কনু হায়বদগী চৎখিদে। চুম্মী নুমিৎতু টেবল চৌক্রি, সেমিয়ানা, কর্নাৎ লম্পাক্তুদা মৈ থাখি। লান্দি নুমিৎতুদগী হৌখ্রবনি, চাংয়েংনি। খান্বীনবা লৈত্রবনিনা মেগী তাং ৩দা চুড়াচান্দপুরদা কুকিশিংগী ওইবা সোলিদরিটি রেলি চৎলি অথোই নাপল অমগা লোয়ননা নোংমৈ পায়বা কয়া য়াওনা মীতৈ হাৎলো, চীফ মিনিষ্টরগী ফিনুংগী হকচাং ফাওবা পল্লগা নুপামচা-নুপীমচা কয়ানা লাউ খোংদুনা পাঙথোকই, মীতৈ তানখি, যূম কয়া মৈ থাখি।

মণিপুরগী ষ্টেট ফোর্স লিশিং ৭০মুক লৈবদু লিশিং অমত্তং থাজিন্দুনা থুগায়রম্বা য়াই নৎত্রগা লমহেনবা কুকি নুপামচা মঙা নুপীমচা মঙাদং ফাদুনা পুরকপদি ঙমগনি, মদু তৌরল্লবদি লানসু থোক্লল্লোই, চীফ মিনিষ্টরগী মতিক ময়াইসু হেল্লমগনি। অদুবু তৌফম থোকপদু তৌখিদ্রে, লৈঙাক্লসু শোয়খ্রে হায়জখ্রে।

হৌজিকসু চীফ মিনিষ্টরনা তৌফম থোকপা লৈরি, চীফ মিনিষ্টরনা পোলিটিকেলগী মীৎয়েং নৎতনা পার্টি খূদিংমক্কী লুচিংবশিং, সী এস ওগী লুচিংবশিং, মণিপুরগী শক্লাইবশিং লানসিগী মরমদা মীটিং কৌদুনা খন্নবীয়ু।

শৈদাংলবা কুকিশিং হোমলেন্দ অমগী মঙলান্দা পোপী থাদুনা শেঞ্জাও পায়দুনা অফবা মখলগী নোংমৈ লৈশিল্লি, যূমথোঙগী নোংমৈ পায়। মীতৈদি অঙাংশিংদা মহৈমশিং তম্বগী মরমদা হংনৈ, কুকিশিংদি অঙাংশিংদা নঙগী নোংমৈ লৈরব্রা, নঙগী নয়াম্বগী নোংমৈ কয়া লৈরে হংনবা কাঙবুনি। লান য়াম্না পাম্বনি, ফূরুপ অয়াম্বগা লান শোক্লখ্রে- কুকি-মার, কুকি-নাগা, কুকি-পাইতে, কুকি-দিমাসা, কুকি-কর্বি, ঙসিনা মীতৈগা লান।

মমাংথক্তা চীফ মিনিষ্টর অমনা মাও গেটতা এন এস সী এনগী জেনরেল সেক্রেটরি থৎলগা চঙহনখিদে, মিনিষ্টর অমনা জিরি লম্বী মতম শাংনা ব্লোকেদ তৌখিবদগী মথন্তগী স্কোর্টকা লোয়ননা ট্রক ময়াম জিরিদগী ইম্ফালদা পুরকখিবা হেরোনি হায়নখি।

লৈঙাক্কী তৌফম থোকপশিং পাঙথোকপীয়ু। ঐখোয় তম্পাক্তগী হেনবা য়াদ্রবনি, স্কোর্ট য়াওবা চীফ মিনিষ্টর ফাওবা চীংগী দিষ্ট্রিক্ট চঙবা ঙমদ্রবনি। কুকিশিংদি অনীংবা পান্দম থুংখ্রবনি, লান লুরবনি পূন্নমক য়েংবীরগা চীফ মিনিষ্টরনা লানগী মরমদা মীটিং কৌবীয়ু।

**অদোমগী - সোইবম জয়**
**লাংমৈদোং বজার, # ৯৮৬২৭০৩০৩২**

### পাবুং বিরেনবু খুরুমজরি

(৮৩)

অসুক কন্না শোক্লরিবা লান অসিদা অৱাবনসু খম থেংলবা মীকপ মীরাওখোলনসু থল্লবা ইরমদমসিদা করিসু লৈত্রবা শৈদাংলকপা খরনা ঐখোয় মীতৈতা নৎতনা ফূরুপ ৩৪ অসিবু অদুক থীনা ওৎলবা ফাওবদা তুমিন্না লৈরিবা পাবুং বিরেন নঙগী থম্মোয়সে খজিক্তা নত্তে য়াম্না কল্লল্লে...। হৌজিক্তি তুমশিনবা, তাশিন্নদবা মতম নত্তে, থম্মোয় ফাজিন্দুনা থম্বগী মতমসু নত্তরে পাবুং অদুক তমথীরবা লান মরকসিদা কনাগী করম্বা ওর্দরনো পাবুংনা ঙাইরিসিবু। হৌগৎপীরো লমজিংবীরো ইরমদমসিবু। হৌজিক্তি কনাদসু ৱাকৎফম লৈত্রে, তাবীনবসু উদ্রে, কুকিগী লাংদা সেন্টরসু মচীন মেল্লি। কয়াম কুইনা মেনখিদৌরি, হায়বা ঙমদ্রি। তাঞ্জা অসিদা পাবুংনা হৌগৎলক্ত্রবদি হৌজিক্কী অমদি তুংগী মীরোল কয়ানা পাবুংবু ফজনা শোন্নরোয়, পুৱারীনা পাবুংবু ৱারৌহৌগনি। থৌনা পাঙ্গল পুথোকপীরো ঐখোয় ময়াম পাবুংগী তুংদা লেপ্লিনে করিগী অদুক ৱাখল পীকথবীরিবনো। হৌগৎপীরো পাবুং থিন্থদনা পায়খৎপীরো খৌরাংলবা মীয়ামবু পাবুংগী লোৎশিন্দুনা থল্লিবা নীংতম্বগী লাইশোলদু।

**অদোমগী - কে ঐচ. টি**
**নাচৌ, বিষ্ণুপুর, # ৬০০৬৩৭৭৯৬৮**

----------------------

### সেন্টরনা অসুম্না খনব্রা

(৮৪)

চহী অসিগী মে ৩গী মমাংদা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা কুকিশিংনা পোপী থাবা থিংলুবা অমদি রিজর্ভ ফোরেষ্টতা যূম-কৈ শাজিনবা তকথোক্লুবা অদুগা লোয়ননা হান্না মখোয়না মমাংদগী থৌরাং তৌদুনা লৈরম্বা করম্বা মতমদগী মণিপুরদা মখোয়গী লমসু লৈজদবা মখোয়না সেপরেট লেন্দ তানসিগে খন্দুনা লৈরম্বগা মপা চানদুনা গভর্ণমেন্টতা তায়নবা ঙমদ্রগা চমজরবা চীংখোঙ-চীয়াদা লৈবা মীতৈশিংগী যূম মৈ থাবা হাৎপা তুপ্পনচিংবা তৌরকপা থা ৪ হায়রক্লবা ফাওবসিদা সেন্ট্রেল/ষ্টেটনা অকনবা এক্সন লৌখৎতবা অসিগী নুংগী ৱাহন্থোক করিনো? মীতৈ ঐখোয়সিবু তুম্না মুখৎপা পাম্মীব্রা? মদুগুম্বা ৱাখল্লোন ওইরল্লবদি মীতৈ ঐখোয়সু মপান লৈবাক চাইনা/জপাননচিংবগী মতেং নীবা তাবনি। মরমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা কুকিশিংবু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নবা মানবা অমা তৌরিবা অসিনা। তৌরিবা অসি বি জে পি গভর্ণমেন্ট অসিনা মখোয়গী লুক ইষ্ট পোলিসিগী মরুমদা করিগুম্বা তৌরকপ্রা হায়বসিসু খন্দবা ঙমদে। কুকি-জোশিংনা ম্যান্মারদগী মচেৎ খরা, বাংলাদেশতগী মচেৎ খরা, মিজোরাম, মণিপুরদগী মচেৎ খরা পূনশিল্লগা মখোয়গী জালেঙম হায়বা লৈবাক অমা শেম্নবগী মীৎয়েং মদুদা ইন্দিয়ানা মতেং পাঙশিনবা মদুগী মপুং ওইবা মহয়না জালেঙম ইন্দিয়াগী ষ্টেট ওইনা লৌশিনবা অসিগুম্বা মীৎয়েং ইন্দিয়াগী লৈব্রা?

**অদোমগী - কৃতমালা ৱাহেংবম**
**# ৮৭৮৭৮৩৮৯৬১**

---

## /WALLET LOST

I have lost my Wallet Containing Service Card bearing No. 15392761N issued by Sainik Board Lamphel, ATM Card each of SBI Mantripukhri, BOI Thoubal, MRB Pangei, Aadhar Card, Pan Card, Driving Licence issued by DTO I/E and ECHS Card issued by Jabanpur (MP) Indian Army training Centre on the way between Khurai Salanthong and Khurai Heikrumakhong on 13th Sept. 2023 around 6pm - 7 pm.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

HL-P/7042/19

Sd/- **Laitonjam Surendro**
**Khurai Heikrumakhong**, **#9402235994, 8837053886**

## /SMART CARD LOST

I have lost my Smart Card of Vehicle Honda Dio 6G gray colour bearing Registration No. MN06SD7015, Engine No. JF98W0053645, Chassis No. ME4JF983LLW02788 issued by DTO I/E on 15th Sept. 2023 on the way between Kakching and Kakching Lamkhai.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Hidam Malemnganba Singh**
**S/o H. Ibomcha Singh**
**Yaithibi Khunou Loushi Kakching District**
HL-P/7044/19 **#7005067970**


## /TO LET/SANJARI

**Classrooms, Training Halls are available on Rent For Coaching/Tutorials/Boarding/Hostels. Single, Double and Four Seated Rooms for Girl Students and Working Women are also available on Rent at Khagempaalli, Imphal**

*For Details Please Contact :*
**9206302290/7005522516** HL-P/7836/19&24


## /PH. D. DEGREE AWARDED



Mr. **Sm. Farooque** S/o Md. Jalaluddin Singamayum and Dilorjan of Lilong Haoreibi Awang Leikai, Thoubal, Manipur was awarded the Doctor of Philosophy (Ph.D.) in Physical Education on 14th August 2023 Vide Notification No. F/TU/COE/Ph.D./10/PHE/17/21 by **Tripura University (A Central University) for his Thesis: Effect of SAQ and Circuit Training on Biochemical Parameters and Acquisition of Skill Proficiency in Soccer.** During his doctoral journey, Mr. Farooque had the privilege of working under the able supervision of Dr. Prasanta Kumar Das, Professor and Head of the Department of Physical Education, Tripura University and Dr. Mukesh Mitra, Assistant Professor at Michael Madhusudan Dutta College, Sabroom, Tripura. He has also cleared the UGC-NET examination, showcasing his dedication and commitment to academic excellence. In addition to his academic accomplishments, Mr. Farooque demonstrated his commitment to scholarly research by publishing eight papers in various renowned journals. His dedication and contributions to the field were further recognized when he received the prestigious Best Paper Award in 2022. Currently, Mr. Farooque is contributing to the academic community as a Guest Faculty at the Department of Physical Education, Tripura University, located in Suryamaninagar, Agartala, Tripura.

We extend our warmest congratulations to Mr. **Sm. Farooque** on this remarkable achievement. His Success is a testament to his hard work and dedication, and we wish him continued success in his academic and professional journey.

HL-P/7835/19 **With best wishes from Family and Friends.**

## / অৱাবা ফোংবা



চিংঙু শিল্লৈ শিন্থা লুপকী লুচিংবা ওইবিদুনা ইনাৎ লাইনিংবু চাওখৎনবা হোৎনবিরম্বা লাইশ্রম রাজেন্দ্রা খুমননা হৌখিবা চৈচৎ ১২-৯-২৩ দা লৈখিদবদা লুপ অসিগী নৌনা লুচিংবা ওইনা খল্লবা সৌগ্রাকপম গ্যানেন্দ্রা মঙাংনা ময়াই তাংবল লৌদুনা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুনা লৈখিদ্রবগী থৱায় মিরেলনা লাইরমলেন্দা ইংনা চিক্না লৈরুনবা তাইবং শেম্বা মপুগী মফমদা লুপকী ফিরাল তংখাই চিংথবগা লোয়ননা লুপলোই খুদিংনা মিনট ২ (অনি) তুমিন্না লেপ্তুনা থৌনিজখি। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু থম্মোয় শেংনা শরুক য়াজরি।

*ফোঙদোকচরিবা ঃ*
ইরোম রাজেন মঙাং
থৌপুরেল, চিংঙু শিল্লৈ শিন্থা লুপ

HL-P/7045/19 Sept.

## /REGISTRATION CERTIFICATE LOST

I have lost my Original Registration Certificate bearing Registration No. 14891/23 and Certificate Sl. No. 9626 issued by Manipur Nursing Council on the way from my residence to Lilong on 16th September, 2023.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Sanjenbam Nganthoibi Chanu**
**Thongju Part II (Two)**
HL-P/7840/19 **#9362777456**

## /MARK SHEET LOST

I have lost my Original Marksheet of LLB 1st Semester bearing Roll No. 13084 of 2013 issued by the Manipur University on the way between my residence and Imphal Bazar on 03-09-2023.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Laishram Alekraj Singh**
**Langthabal Kunja Awang Leikai**
HL-P/7841/19 **#8787756879**

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (SOUTH), MAYANG IMPHAL

**Ref: Mutation case No. : 158/SDC/I.W. (S) of 2023**

Chesam Ajijan, W/o (L) Chesam Abdul Rasid of Mayang Imphal Bengoon

- Vrs -

(Late) Chesam Abdul Rasid, S/o (L) Abdul Halim Miya of Bengoon

**/ NOTICE**

Mayang Imphal, the 28th August 2023

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি, মদুদি Under Patta No. 822 (O) 110 (N) Dag No. 1111 গী area .13355 একর চাউবা Ingkhol ক্লাস, Village No. 75-Bengoon অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরমদুনা হায়রিবা এরিয়া .13355 একর অসি petitioner ঐহাক্কী মিংদা ওনশিনবিরো হায়দুনা SDC/IW (S) Mayang Imphal গী Court তা application থারক্লে। পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি, খবর অসিনা হেক ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি শুবা ফাওবগী মনুংদা SDC/IW (S) Mayang Imphal গী Court তা অইবা চেদা complain ওইনা য়েৎপিরগদবনি। হায়রিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা য়েৎলদ্রবদি Case মখা চত্থরগনি, মতুংদা লাকপা আপতি লৌরোই।

Sd/- Sub-Deputy Collector
Imphal West (South), Mayang Imphal

HL-P/7845/19 Sept

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG, THOUBAL DISTRICT, MANIPUR

**Ref: 9/SDO/LIL/Cert/2015(pt)/547 Dated, the 17th July. 2023**

**/ NOTICE**

Lilong the 18/09/2023

Notice অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Naorem (O) Sabitri Devi, W/o Naorem Ibosana Singh of Khekman Makha Leikai, Thoubal District, Manipur না মহাক্কী Legal wife Certificate পীবীয়ু হায়না উক্তা Court SDC Lilong গী ওফিসতা দরখাষ্ট থারক্লে মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি পাউ চে অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা কোর্টতা লাক্তুনা ওবজেক্সন তৌবীরবা য়াগনি। মতুং লাকপা অপতি লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Lilong

HL-P/7848/19 Sept.

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG, THOUBAL DISTRICT, MANIPUR

**Ref: 9/SDO/LIL/Cert/2015(pt)/632 Dated, the 1st Sept. 2023**

Hajibi Umhani, W/o Late Md. Zeinul Abuddin of Lilong Haoreibi Turel Ahanbi P.O & P.S-Lilong

**/ NOTICE**

Lilong the 8th Sept. 2023

Notice অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Hajibi Umhani, W/o Late Md. Zeinul Abuddin of Lilong Haoreibi Turel Ahanbi, P.O & P.S-Lilong, Thoubal District, Manipur না মহাক্কী Legal wife Certificate পীবীয়ু হায়না উক্তা Court SDC Lilong গী ওফিসতা দরখাষ্ট থারক্লে মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি পাউ চে অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা কোর্টতা লাক্তুনা ওবজেক্সন তৌবীরবা য়াগনি। মতুং লাকপা অপতি লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Lilong

HL-P/7834/19 Sept.


## ADMISSION OPEN

FOR
1. SPOKEN ENGLISH & ENGLISH GRAMMAR COURSE
FOR
STUDENTS & SENIORS
2. RHYMES TEACHERS TRAINING COURSE
FOR
GIRLS & YOUNG MOTHERS
AT
SPOKEN ENGLISH CLASS
SINCE 1986
NAGAMAPAL LAIMAYUM LEIRAK
PLEASE CONTACT 8974642764

HL-B/8309/10/9-10/10



## Admission Open for CONDENSE COURSE

**Apollo Academy**
Kwakeithel Bazar, Airport Road-01
Near AMUCO Building

Class Starts

Class XII Science
Phy + Chem + Bio + Maths + Comp.Sc. + Home Sc.
➡ 11th September-2023
Maths class: 5.00a.m. to 6.00a.m.

Class XI Science
Phy + Chem + Bio + Maths
➡ 18th September-2023

Subject choice avail in any four subjects

N.B.: 3 Test Series for each subjects

SPECIAL ENGLISH & MM CLASSES OF COHSEM SYLLABUS ONLY

➡ Avail Hostel for boys & girls.

Forms available:
Apollo Office (8258013846)

HL-B/8296/8 TO 3 OCT


### MANIPUR UNIVERSITY CANCHIPUR - IMPHAL

**/ NOTIFICATION**

Dated, the 18th September, 2023

No. MU/9-99/1/23(C): It is hereby informed to all the Principals of the affiliated Colleges that the **BA/BSC/BCOM/BPES/BFT/BSW/BTT 1ST Semester Supplementary Examination, 2022 (November) (NEP)** shall be conducted soon for the candidates who failed to appear in the BA/BSC/BCOM/BPES/BFT/BSW/BTT 1ST Semester Examination, 2022 (November) (NEP) held from 24th to 30th June, 2023.

2. Ergo, the Principals are required to submit the details of subjects of the candidates (both candidates of Parent College and displaced candidates) on or before **26th September, 2023.**

**Sd/- Prof. Ng. Nimai Singh**
**Controller of Examinations (i/c)**

HL-B/8323/19,20,21

### GOVERNMENT OF MANIPUR
### OFFICE OF THE PRINCIPAL, D.M. COLLEGE OF ARTS, IMPHAL
### DHANAMANJURI UNIVERSITY, MANIPUR

**/NOTICE**

Imphal, the 18th Sept, 2023

No. 5/1/Notice/2018-DMCA: It is hereby notified to all the students that the classes of B.A. 1st, 3rd and 5th Semesters for the academic session 2023-24 shall commence from 22nd September, 2023. Daily class time table can be seen from the college website dmcarts.ac.in. and College Notice Board. All the students are advised to come to the college in full uniforms.

Sd/-
**Dr. Ranjana Rajkumari**
Principal
D.M. College of Arts, Imphal, DMU

HL-P/7844/19 Sept.

## / TENDER NOTICE

Dated, Imphal the 18th September, 2023

The Executive Engineer Tengnoupal Division, PWD Manipur on behalf of Governor of Manipur invites item rate tender from eligible contractors of PWD, Manipur for 1 (one) number below Rs. 25.00 lakhs under MH:3054 -Roads & Bridges within Tengnoupal Division, PWD Manipur.

The procurement officer is Executive Engineer, Tengnoupal Division, PWD Manipur. The tender details and document shall be available from 19/09/2023 to 25/09/2023 at the office of the Executive Engineer, Tengnoupal Division, PWD Manipur.

Last date & time of submission of tender : 3:00 pm of 25/09/2023
Date & time of opening of tender : 4.00 pm of 25/09/2023

**Sd/- Executive Engineer**
**Tengnoupal Division, PWD**
**Manipur**

HL-P/7833/19


## CAS Coaching Centre

CAS Building, 2nd floor Keishampat Junction Imphal

Admission Open (Last Batches)
FOUNDATION COURSES

Hurry!!! Seats are Limited First Come First Served

CLASS XII (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng.)
CLASS XI (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng.)
CLASS X (English, Maths, Science & Social Science)

Special features:
- Experienced and Expert Faculties.
- Special Concession for Meritorious, Govt. School, Single Parent, Ethnic Victim, Differently abled Students.
- Counselling & Extra Classes for Slow Learners
- Supply Chapterwise Study Materials.
- Targeted Suggestion for Final Exam. by Experts.
- Weekly and Monthly Test Series.
- 30 Students for each Batch.
- Vision for Toppers in 2024.

Hostel for BOYS & GIRLS Available

Classes Commencing from 25th September, 2023

# Morning:(4.30– 6.30) A.M. # Evening:(3.30– 6.30) P.M.

For Details Contact:- CAS Office, 2nd floor Keishampat Junction Imphal(Mayai Lambi Machin) # 6033817130

HL-P/7796/14/9-14/10